# নোংজু থা মতমদা ব্রোইলর য়েনশিং শেন্নবীবা

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

নোংজু থা মতমদদি শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা লোয়নরিবা ব্রোইলর য়েনশিং লোয়বীবা য়েনবুশিংনা য়েনশিং অমদি য়েনগোন মরু ওইনা য়েনগোন্দা হাপ্লিবা ৱাই/উকুপশিং য়াম্না চেকশিন্না লূ-নান্না থম্বীবা য়াম্না দরকার ওই। মসিনা য়েনশিং শিবগী চাং অদুক্কী মতিক হন্থহল্লি। ঐখোয়গী লমদমসিদদি নোংজু থা মতমদা নোং মরাং কায়না চুবনীনা হ্যুমিদসু ওই। য়েনবুশিংসু মশাগী শেল নীংথিনা লৈতবনিনা য়েনগোনশিংসু শেল চঙদনা শাবনা অয়াম্বনি। মরম অসিনা য়েনগোন অমদি অকোয়বগী ফীভম য়াম্না লূ-নান্না থম্বীবা মহিক মতাই চঙহন্দবসি য়াম্না দরকার ওই। হ্যুমিদিটি ৱাংলগা শাবগী চাং হন্থহন্দবসিনা লায়না কয়া শন্দোরক্লিবা মহীকশিংগীদি মশীং হেনগৎহনবগী য়াম্না ফবা ইনভাইরোনমেন্ট অমা ওইহল্লি।

য়েনবুশিংনা য়েনগোনগী অকোয়বা অমদি য়েনগোন মনুংদা চেকশিন থৌরাং কয়া অমা লৌখৎপীবা দরকার ওই। দরকার ওইবশিংদু মখাদা থমজরি :

১) য়েনগোন অমদি অকোয়বদা লৌবীগদবা চেকশিন থৌরাংশিং :

ক) য়েনগোন্দগী মিটর ৪-৫ মুক্কী অকোয়বদা নাপী-শিংবী, মনা-মশিং, অশং-অমানগী পোৎলম অমত্তা থম্বীরোইদবনি অমদি ঈশিং তুংদুনা লৈবা নৎত্রগা কোমকুৎকুম্বা জগা অমত্তা থম্বীরোইদবনি। করিগুম্বা ঈশিং তুংদুনা লৈরগদি মহীক ময়াম অমা মচা পোকহল্লি অমদি লায়না কয়া অমা শন্দোরকপগী পাম্বৈ অমা ওইহল্লি।

খ) য়েনগোনগী সাইদ ৱালশিংসি নোং চুরকপা মতমদা নোং হাইজিন্দনবা পোলিথিন সিট অমনা মকোনগী অকোয়বদা খাজিনবীগনি। নোং হাংলকপা মতমদা পোলিথিন সিটশিংদু হাইগৎপীরগা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবীগনি।

গ) নোংজু থা মতমদদি তীল-কাং, হয়িংগী চাংসি য়াম্না ৱাংই। মসিনা লায়না পোকহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা য়েনগোনগী অকোয়বা অমদি মনুংদা তীল-কাং হয়িংগী চাং হন্থনবা দিসইনফেক্টেন শীজিন্নবীগনি। মসি নৎত্রগসু ঈ এম মকোন মনুংদা চাইবীরগদি হয়িং অমদি অতোপ্পা তীল-কাংগী চাং হন্থে অমদি মনম নমথীবগী চাং হন্থহল্লি।

ঘ) য়েনগোন কুপ্লিবা জিজ্ঞ নৎত্রগা অতোপ্পা পোৎলম কয়া শীজিন্নদুনা কুপ্পা মকোন্দগী চুমথরকপা ঈশিংসি নিংথিনা য়োকশিনবীগনি। মসি নৎত্রগনা ইরম নালা নিংথিনা শেম্বীদুনা য়েনগোন্দগী লাপ্পা পুথোকপীগনি।

২) য়েনগোন মনুং অমদি য়েনশিংদা লৌবীগদবা চেকশিন থৌরাংশিং-



ক) করিগুম্বদা নোং হাইজিন্দুনা চোৎপা তারগদি মদুদগী লায়না কয়া অমা খুদম ওইনা হায়রবদা মথী অঙাংবা ফায়বা, মথী অঙৌবা/অশংবা ফায়বা, তীল চেল্লকপা অসিনচিংবা থোকহনবা ঙম্বা মহীক ময়াম অমগী মশীং য়ামহল্লি। করিগুম্বা মতমদসু মকোন মনুংদা নোং হাইজিন্দুনা মকোন্দু মপাক মপাক নপশিন্দুনা লৈবা তারগদি মকোন্দা হাপ্লিবা ৱাই অনপ্পা মপাক মপাকশিংদু লৌথোকপীরগা অনৌবা ৱাই হাপচিনবীগনি। করিগুম্বা মতমদা শীন্নবা ৱাই লৈত্রগদি শুনু চাইবীদুনা চৈ অমনা ওন্থোক ওনশিন তৌবীদুনা কংনবা অমদি মহীক শিনবা ওৎপীগনি। শুনু চাইবীবা মতমদা লেপ্পা শুনু খক চাইবীরোইদবনি। খরা লুকথরগা শুনু চাইবীগনি অমদি চাইরিঙৈদা মচিন অমদি নাতোন কুপশিনবীগনি।

খ) হ্যুমিদিটি ৱাংলগসু টেম্পরেচর নেম্বনিনা য়েনশিং ঈংবদগী তাশিন-তাশিন লৈদুনা চাবগী চাং হন্থরক্কনি অমদি চাবা তুমদবগী চাং ৱাংনা লৈগনি। অসিগুম্বা মতমসিদা য়েনগোন মনুংদা মৈশা নীংথিনা পীদুনা য়েনশিং লুম্না থম্বীবা দরকার ওই অমদি অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীবীবা তঙাইফদে।

গ) নোং চুবা মতমদা য়েনশিংদা পীথক্লিবা ঈশিং অয়াম্বা ফিলটর তৌদবনিনা ফনা লুনা উরগসু মহীক য়াওবগী চাং ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা য়েনশিংদা পীথক্লীবা ঈশিংশিং নিংথিনা ত্রিটমেন্ট তৌবীরগা পীথকপীগনি।

ঘ) নোংজু থা মতমদদি হ্যুমিদিটি ৱাংনা লৈবা মরম্না য়েন্দা পীজবীগদবা মচিঞ্জাক কোকফাই শুজা কাবগী চাং ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা পীজবীগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিংসি কোকফাই শুজা কাদনবা মফম চাবা জগা অমদা থম্বীগনি অমদি নুংশা শাবা মতমদা অমুক অমুক পুথোকপীরগা নুংশাদা ফৌদোক্লগা পীজবীগনি। করিগুম্বদা নোং লেপ্তুনা চুবা তারগদি পীজবীগদবা মচিঞ্জাক্তু শন্দোক্লগা নোংমা থম্বীরবা তুংদা পীজবীগনি।

ঙ) য়েনগোন মনুংদা নোং হাইজিন্দনবা ফিনা নৎত্রগা প্লাষ্টিক্না অকোয়বদু কুইনা কুপশিনবীরগা থম্বীরোইদবনি। অমুক অমুক হাংদোকপীরগা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না চঙহনবীগনি। মসিনা য়েনগোন মনুংগী হ্যুমিদিটি চাং হন্থহনবা ঙম্মী। য়েনগোন মনুংদা য়াম্না চোৎনা লৈরগসু মসিদা য়েন্থিদা য়াওরিবা এমোনিয়াগী চাং ৱাংনা লৈবা মরম্না অমদি নিংথিনা নুংশিৎ নুংশা চঙবা ঙমদ্রগদি মসিনা য়েনগী মমিৎ অমদি নাতোন মনুংদা চঙখিদুনা মপি তাহল্লি, মনপ চোহল্লি অমদি অতোপ্পা লায়না কয়া অমা চঙশিল্লক্তুনা শিবগী চাং ৱাংহল্লি।

চ) নোংজু থা মতমদদি য়েনগোনগী পাকপা চাওবগী মতুংইন্না থমগদবা য়েন মশীংদগী হন্থনা থম্বীগনি। য়েনগোন্দা য়েন মশীং য়াম্না থম্লগদি য়েনশিংদা হকচাং চোকথহল্লি, চাবা থকপগী চাং হন্থহল্লি অমদি লূম্বগী চাংসু হন্থহল্লি।

ছ) য়েনগোন্দগী পুথোরক্লিবা য়েন্থিশিং নোংজু থা মতমদদি য়েনগোন্দগী মীটর ৩০০ মুক লাপ্পা কোম অমা তৌবীরগা হুন্দোকপীগনি। য়েনগোন মনুং অমদি অকোয়বদা মহীক শিনবা দিসইনফেক্টটেন কয়া অমা মতম মতমগী ওইনা চাইথোকপীগনি।

অসুম্না য়েনবুনা লূ-নান্না য়েনগোনশিং অসি থম্বীরগদি য়েনশিং শিবগী চাং হন্থহনবতা নত্তনা অকোয়বগী ফীভমদা নুংশিৎ-নুংশা শেংনা লৈহনবতা নত্তনা শেন্দোং লৈনা য়েনশিং লোয়বা ঙমগনি। ●

# লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লুরবা নহা ওইরিবা মীওইশিংদা লৈরিবা অৱাৎপা/অশোনবা অমা

ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ

হৌজিক্কী মতমদা লৌউ-শিংউবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসি শিনফম অমা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা নহা ওইরিবা মীওইশিংনা য়াম্না মরু ওইনা লৌনরক্লিবা হীরম অমনি। হীরম অসিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্নবা এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ৭৪ ইনি দয়া পূম্বদা লৈরি। এগ্রিকলচর অমদি মসিগা মরী লৈনবা হীরমশিং হায়রগা লৌউ-শিংউবা মফমশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈগী মরমদা নৈনবা, শা-উচেক য়োকপা, ঙা য়োকপা, হোম সাইন্স অমদি এগ্রিকলচরেল ইঞ্জিনিয়ারিংনচিংবা হীরম কয়া য়াওরি। হায়রিবা হীরমশিং অসিদা তম্বা লোইরবা মহৈরোয় কয়া কয়া চহী খুদিংগী পুথোক্লি। হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসিনা হীরমশিং অসিদা তম্লুরবা মতুংদা তৌবা য়াবা থবকশিং অসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। খুদম ওইনা হায়রবদা এগ্রিকলচরেল সাইন্টিষ্ট, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, ষ্টেটকী ওইবা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিংদা ওফিসর ওইবা, নেসনেলাইজ বেঙ্কশিংদা ওফিসর ওইবা, নবার্দতা ওফিসর ওইবা, প্রাইভেট কম্পশিংদা মেনেজর নৎত্রগা টেক্নিসিয়ন নৎত্রগা কন্সলটেন্টনচিংবা ওইবসু য়াই। মসিদসু নত্তনা মশা মশানা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমমম ওইদুনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা য়াই।

মতাং অসিদা থমজনীংবা ৱাফম অমদি লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মহৈ-মশীন মপূং ফানা তম্লুরবা নহাশিং অয়াম্বনা লৈঙাক্কী থবকশিং মরু ওইনা সাইন্টিষ্ট, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর অমদি ষ্টেটকী এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অসিনচিংবদা থবক তৌননবা হোৎনদুনা লৈনৈ। তৌইগুম্বসুং লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসিদা মহৈ-মশীন ফজনা/মপূং ফানা তম্লুরবা মীপূম খুদিংমকপু লৈঙাক্কী থবক পীবা হায়বসি ওইথোক্তবনি। মরম অদুনা হীরমশিং অসিদা খঙ হৈরবা মতুংদা হীরমশিং অসিগা চানবা থৌওং কয়া পায়খৎতুনা শেল য়াম্না তানবা য়াবদা নত্তনা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা ঙমগনি। তৌবতবু থৱায় হকচাং য়াওনা ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমা ওইরে হায়বগী ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা চোঙথোকপীরকপা দরকার ওই।

মতাং অসিদা ইশাগী মোত ওইনা থমজনীংবা মরু ওইবা ৱাফম অমদি এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিং অসি তম্বা মতমদা রিস্ক লৈবগী মতাংদা তম্বিবা খরা ৱাৎপগুম উই। খুদম ওইনা হায়রবদা অতোপ্পা হীরমশিংদা তম্লুবা মীওইশিং আই টি তম্লুবা মীওইশিং, ইঞ্জিনিয়ারিং তম্লুবা মীওইশিং, বিজিনেস মেনেজমেন্ট তম্লুবা মীওইশিং অমদি অতোপ্পা বেসিক সবজেক্টশিংদা তম্লুবা মীওইশিংনা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মায় ওনশিল্লক্তুনা থবক কয়া য়াম্না মায় পাক্না পায়খৎপা থেংনরি। মসিনা তাকপদি মখোয়শিং অসিদা রিস্ক লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু য়াওই। তৌইগুম্বসুং এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা মহৈ নিংথিনা তম্লুরবা মীওইশিং অসি রিস্ক লৌবা ঙম্বগী থৌনা অদু লৈতবা মরম্না এগ্রিকলচরগা মরী লৈনদবা হীরমশিংদা মায় ওনশিন্দুনা মায় পাক্না লৈখিবা মীওইগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক নেম্মী। মখোয়শিং অসিনা রিস্ক লৌবা ঙমদবগী মরমশিং অসি মখোয়না তম্লক্লিবা সিলেবস অদুদা রিস্ক করম্না লৌগনি হায়বগী পাড়া অসি য়াওদবা নৎত্রগা ওজাশিংনা তাকপীবদা মপূং ফানা তাকপীবা ঙমহৌদবা অসিনচিংবা কয়া ওইবা য়াই। মসিদসু নত্তে অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৈগনি। অদুম ওইনমক 'নো রিস্ক নো গেন' হায়বা ৱাফম অসিসু মীওই পূম্নমক্না খন্থবীদুনা মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা অচৌবা মায় পাকপা কয়া পুরকপা ঙমগনি।

মতাং অসিদা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা অৱাবা থাক্কী মহৈ তম্লুবা মীওইশিংদা করিগুম্বা অশোনবা খরা লৈ হায়জনীংই। তৌইগুম্বসুং হীরম অসিদা থবক তৌরিবা অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রিবা মীওইশিংনা অশোনবা নৎত্রগা অৱাৎপা অসি করম্না অমদি কদোমদগী থোক্লকপনো হায়বদু মুন্না থিজিল্লবা মতুংদা অচৌবা অহোংবা অমা পুরক্তুনা অচৌবা মায় পাকপা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈজরি। মরম অদুনা 'নো রিস্ক নো গেন' হায়বা ৱাফম অসি মতাং মতম চানা শীজিন্নদুনা ঐখোয় পূম্নমক্কী অচৌবা অওনবা অমদি অচৌবা মায় পাকপা পুরকপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# লিংগদবা লৌফম শেম শাবা

ডা. ৱাইখোম জিতেন

চারা ওইনা লৈরিবা ফৌ পাম্বীশিংবু অমুক হন্না থাদোকপগী থৌওংবু লৌ লিংবা কৌই। থৌওং অসি পায়খৎনবগীদমক চঙলিবা মচাকশিং পনবা তারবদি (১) মশা মউ ফবা লৌহোন (২) নিংথিনা শেম শারবা লৌফমনি।

১) মশা মউ ফবা লৌহোন :- লৌপাক্তা লিংথোক্কদৌরিবা লৌহোনশিং অদু লায়না তীলনা চেন্দবা অমদি লিংথোকপা য়াবগী নুমিৎ মশীং চপ চাবা লৌহোন ওইবা মতমদা ফৌগী পোৎখোক চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙমই। লিংথোকপা য়ারবা লৌহোন হায়বসি ফৌ হুনখিবা নুমিত্তগী য়াল্লবদা নুমিৎ ২৫ ওইগদবনি। মরম অদুনা ফৌ লিংথোক্লবগীদমক নুমিৎ ১৮-২৫ শুরবা লৌহোন অসি চপ চাবা লিংথোকপগী মতম চারবা লৌহোন কৌই। হায়রিবা মতম অসিদগী ঙনখৎপা মতমদা লৌহোনশিং অদু পীকপা অমদি নৌবনা মরম ওইদুনা লিংথোক্লবা হোৎনবা মতমদা খূৎলোয়বা ৱাৎতুনা খূৎলঙ হেন্না চঙই অমদি চেকশিনবা ৱাৎপদগী ফৌ মশা শোকখিদুনা খূৎলোনবদা মতম হেন্না চঙই। অমরোমদা অমুক নুমিৎ ২৫নিদগী হেল্লবা লৌহোন্না থাবিবা তারবদি ফৌ পাম্বীশিংনা মচা পোকপগী চাং হন্থে। মরম অসিনা ফৌ অদু কুঙশিন্না থাদবা য়ারক্তবনা লৌহোন হেন্না চঙলক্কনি।

লিংথোক্কদৌরিবা লৌহোনশিং অদু মশাদা তীলনা লায়না চেল্লক্তনবা অমদি লৌপাক্তা লৈরবা নৌরিবা পাম্বীশিংদা লায়না তীলনা চঙদনবগীদমক লৌহোনফমদা লৈরিবা লৌহোনশিংদা চেকশিন থৌরাং খরা তঙাইফদনা পায়খৎতবা য়াদে। লৌহোন ফমগী অপীকপা মফমদা লৈরিবা লৌহোনশিংদা তীলনা লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা হীদাক শীজিন্নহৌবনা চঙগদবা হীদাক্কী চাং হন্থহন্দুনা শেল হন্থনা চঙহল্লি অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা অরেম্বদা হু চেলহনবগী চাংসু হন্থহল্লি। লৌহোন ফুক্কদবা নুমিৎ ৫-৭নিগী মতম লৈরিবা লৌহোন ফমশিংদা Virtako 150-200 গ্রাম নৎত্রগা Farterra 250-300 গ্রাম নৎত্রগা Regent Ultra 400-500 গ্রামগী চাং লৌবীরগা লৌ শঙম অমগী লৌহোন হুনফমদা চাইশিন্দুনা লৌহোনশিং অদুবু ইচেলহল্লবদি ফৌনা নৌরিঙৈদা তাবা য়াবা তীল অয়াম্বদগী ঙাকথোকই। করিগুম্বা লৌহোন অদু ফুক্কদবা মতম য়াম্না তেল্লবদি পম্প অমগী মতেংনা লৌহোনশিং অদুদা হীদাক কাপশিন্দুনা পাম্বীশিংবু হু চেলহনবা য়াই। থৌওং অসিগীদমক ফুক্কদবা নোংমা নৎত্রগা নীনি ৱাৎলিবা লৌহোনশিংদা Chlorpyritos 20% EC (Speed) মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫দা নৎত্রগা Thiamethoxam 25% WG গ্রাম ৫ ঈশিং লিটর ১৫দা নৎত্রগা Chlorantraniliprole (Vesticor, Coragen) মিলিলিটর ৩ ঈশিং লিটর ১৫ নৎত্রগা Fipronil 5% SC মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপ্পীগনি। লৌহোন্দা হীদাক কাপ্পীবা অসি নুমিদাংৱাইরম কাপ্পীবনা কান্নবা হেন্না ফংই।

লৌফম শেম শাবা :- নীংথিনা শেম শারবা লৌহোনশিং অদুগী লিংথোক্কদৌরিবা লৌফম অদুনা মওং তাদ্রবদি ঐখোয়না পাম্লিবা পোৎথোক চাথোক অদু ফংবা ঙম্লোই। মরম অদুনা লৌফম অদু মমুৎ তানা খোইবা, নাপী অমদি পুমথবা ঙমদবা পাম্বীগী লেমহৌখাকশিং লৌথোকপীবা, পাম্বীগী মরানা শন্দোক্তুনা লৈগদৌরিবা লৈবাক্কী শরুকশিংদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা পোৎলমশিং তোৎপীহৌবা অমদি হৌরক্কদবা নাপী মরূশিং মাঙহনবা ঙম্বা নাপী হীদাক্লচিংবা শীজিন্নহৌবনা ফৌগী পোখোক চাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওই। হায়রিবা থৌওংশিং অসিগীদমক লৌফম অদু অরোইবা লৌওন খোইবদা তঙাইফদনা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশকী শরুক য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং পীবিহৌগদবনি। ফৌগুম্বা পাক চাওনা থাবা পাম্বীশিংগীদমক ওর্গানিক ওইবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবা হায়বসি হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা খূৎশেমগী হারশিং শীজিন্নদবা য়াদে। অসুম্না লৈবাক্তা তোৎহৌগদবা হারশিং অসিগী মনুংদা নাইট্রোজেন পীগদবা য়ুরিয়া হায়রিবা হার অসি মরাং কায়না অমদি অহোঙবা মমলদা ফংদবনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ পুন্না য়াওরবা হার মখলশিং শীজিন্নবীবা য়াই। মণিপুরগী অয়াম্বা দুকানশিংদা ফংলিবা অসিগুম্বা মখলগী হার অসি NPK 12:12:12 অমদি NPK 19:19:19 না অয়াম্বনি।

NPK 12:12:12 হায়রিবা হার মখল অসি লৈবাক্তা তোৎশিলহৌনবগীদমক লৌ শঙম অমগী লৌফমগীদমক কেজি ৬২ লৌবীগনি অদুগা লোয়ননা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট (সুপর) হায়রিবা হার মখল অসি কেজি ১৫গা পূন্না য়ানশিন্নরগা অরোইবা লৌওনগী মমাঙদা চাইবীরগা খোইজিনবীগনি। নৎত্রগা NPK 19:19:19 হায়রিবা হার মখল অসি ওইরবদি লৌ শঙম অমগীদমক কেজি ৪০ অমদি সিঙ্গল সুপর ফোসফেট (সুপর) কেজি ১৬ লৌবীরগা অরোইবা লৌওন মমাঙদা চাইশিনবীদুনা খোইজিনবীগনি।

মথক্কী থৌওংশিং অসিনা ফৌনা দরকার লৈবা নাইট্রোজেনগী তঙ্খায় অমা ফোসফরস অমদি পোটাশকী অপূনবা শরুকশিং ফংহনবা ঙমই। অসুম্না শেমখ্রবা লৌফমশিংগীদমক অৱাৎপা নাইট্রোজেনগী শরুকশিং অদু নানো য়ুরিয়াগুম্বা শীজিন্নদুনা য়ুরিয়াগী মহুৎ শিনবা য়াই। য়ুরিয়া লৈবিবা লৌমী ইচিন ইনাওশিংগীদমক অরোইবা লৌওন মমাঙদা লৌ শঙম অমগীদমক য়ুরিয়া কেজি ১৫-২০, সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৬৫-৭৫ অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশ কেজি ৮-১০ চাইশিনবীদুনা খোইজিনবীগদবনি। মতৌ অসুম্না মচিঞ্জাক তোৎলবা লৌফমদা লৈবা নাপী অমদি ফত্ত-হৌদিশিং নিংথিনা লৌথোকপীরবা মতুংদা লৌ লিংদ্রিঙৈগী মমাঙদা হৌরকত্রিবা নাপী মরূশিং হাৎনবা নাপী হীদাকশিং শীজিন্নহৌবা য়াই।

অসুম্না শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাক্তি Pyrazosulphuron ethyl 10% WP (Saathi, Laathi) নৎত্রগা Pretilachlor 50% EC নি। Pyrazosulphuron ethyl 10% WP অসি লৌ শঙম অমগীদমক গ্রাম ৪০ লৌবীরগা ঈশিং লিটর ১৫ চনবা পম্প মরি থোকপীরগা কাপ্পীগনি। অদুগা Pretilachlor 50% EC (Cleaner, Rifit Puls) হায়রিবা হীদাক মখলশিং অসিগীদমক লৌ পরি অমদা মিলিলিটর ১২৫০ (পৱা মঙা) লৌবীরগা বোট্টল অদুগী মখুমদা মখুল অহুম মরি হুৎপীরগা লিংগদৌরিবা লৌফমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মরীক (Drop) মরীকশিং থাদবীদুনা হীদাকশিং অদু মথন্তা চাইথোকখিগদবনি।

মতৌ অসুম তৌদুনা চেকশিন্না শেম শাবিরগা ফৌশিং অদুদা থাবীরবদি ঐখোয়না পাম্লিবা পোখোক চাথোক অদু ফংবা ঙমগনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### কে দি এ এস য়ুনা লম্বীগী পোট হোলশিং মেনবগী থবক চথবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খাঙবোক খুঙ্গংগী খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা খাঙবোক হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওপোজিটতা চঙলিবা লম্বী অসি মরী লৈনবশিংনা মতম চানা শেমজিন্দবনা মরম ওইরগা পোট হোল কয়া লৈরিবশিং অদু খাঙবোক দিবলপমেন্ট এন্দ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ম (কে দি এ এস য়ু) না মেনশিনবগী থবক ঙসিদগী চথবা হৌখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কে দি এ এস য়ুগী প্রসিদেন্ট থোকচোম কিরননা ফোঙদোকখিবদা, হায়রিবা লম্বী অসি খাঙবোক্কী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা লম্বীনি। অদুবু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুখিবদগী ঈশিংনা মতম শাংনা লম্বী অসি থুমজিন্দুনা লৈরুবা অদুনা মরম ওইরগা অমদি হান্না লৈরম্বা অকুৎপশিংদা ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈবদগী চাওনা চাওনা কায়বা হৌরক্লি। মসিদা নত্তনা তোতি পাইপ ফুম্বগী তৌথোকখিবা শরুকশিংসু ফজনা শেমজিন্দবনা মরম ওইরগা কায়বগী চাং হেনগৎলক্লি।

লম্বী অসিদা অচৌবা পোট হোল কয়া লৈরকপা অসিনা মরম ওইরগা লম্বীদা গাড়ি থৌদুনা চৎলিবশিং এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং হেনগৎলক্লে অমদি এক্সিদেন্ট থোকপসু য়াওখ্রে। লম্বী অসি ফাওদুনা মহৈ তম্বা চৎলিবা মহৈরোই কয়াসু লম্বীগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নহল্লে। হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী ফিভম অসিদা খাঙবোক্কী মীওই কয়ানা সোসল মিদিয়াদা পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লরকপসু থেংনরে। মসিনা মরম ওইরগা য়ুনিয়ন অসিনা লম্বী অসিদা লৈরিবা পোট হোলশিং মেন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎ অসিদা খাঙবোক অৱাং লৈকায়দগী খাঙবোক লমলোং লৈকায় ফাওবদা লৈরম্বা পোট হোল ১০গী মথক্তা মেনখ্রে অদুগা তোতি পাইপ পুনবা তৌথোক্লগা নীংথিনা শেমজিল্লমদবা মফম ২/৩ সু নুঙ, লৈঙোয় অমদি সিমেন্ট শিজিন্নদুনা মেনশিনখি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতেং পাংলকখিবা খুদিংমকপুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### তুপুলগী থৌদোক্তা উত্রা শঙলেননা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): মমাং থাগী ২৯ অমসুং ৩০ গী লোন্নবা অহিংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তুপুলদা থোকখিবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখিবা অমদি কয়া অমনা থিবা ফংদনা লৈরিবা থৌদোক অদুবু উত্রা শঙলেন্না অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোক্তবা ওইরসনু হায়রি।

উত্রা শঙলেননা লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা, থা ৫ গী মমাংদগী হন্দক চহীদি নোং অঙাওবা চুগনি। লোয়ারাকপনা কুম তল্লি, লৈবাক মীয়াম নোংগী খুদোংথিবা থেংনগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম চেকশিন্না লৈনবা হান্নন খঙহনখিবা লৈখ্রে। উত্রা শঙলেন্না ৱাফম অসি ফোদোকখ্রবা মতুং হন্দক হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা তাবদগী তুপুলদা চীং নীংখায়বগী থৌদোক অসি থোকখিবনি। থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা নুপী অঙাং য়াওনা মমল য়াল্লবা মীওই কয়াগী থৱায়শিং লাইরম্লেন য়ৌহনখ্রে। অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোক অসি লমদম অসিদা অমুক হন্না থোরক্তনবগীদমক লৈবাক অসিগী নিংথৌ য়াওনা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী ফম্নাইবশিংনা ইমুং মনুংগী পীরাংগুম্না মীত্তা পীরাং শিন্থদুনা থৱায়শিংনা লাইরম্লেন্দা ঈংনা চীক্না লৈরুনবা থম্মোয় শোক্না কৌনিখ্রে হায়রি।

### 'লমদম অসিগী আর্ট ফোর্মশিংবু মীৎকী কুম্মৈ ওইনা উৎপখক্তনা চাওখৎহনবা ঙম্লোই'

ইম্ফাল, জুলাই ০৩ (ঐচ এন এস): মালেমদা মশক তাক্লিবা লমদম অসিগী আর্ট ফোর্মশিংবু মীৎকী কুম্মৈ ওইনা উৎপখক্তনা চাওখৎহনবা ঙম্লোই, লমদম অসিগী লৈঙাক্লোন পায়রিবা মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি অখঙ অহৈ কয়া তানদুনা পুন্না হোৎনমিন্নরবা মতমদতা চাওখৎপা ঙমগনি হায়না জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদমিগী দিরেক্টর পি বিলাসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লমদম অসিগী পুৱারীগা শগোন্নদুনা লাক্লবা আর্ট ফোর্ম অমসু ওইরিবা 'নুপা খুবাক ঈশৈ' য়োকখৎনবা পান্দমদা ইষ্টর্ন আর্টিষ্ট এসোসিএসন, বামোন কম্পু মখা লৈকায় ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নুমিৎ ১৫ নি চুপ্পা চথুরকখিবা ৱার্কশোপ কম প্রদক্সন লোয়শিনবগী থৌরমদা দিরেক্টর বিলাসনা ফোঙদোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা বামোন কম্পু মখা লৈকায় মল্টি পর্পজ হোলদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, খুবাক ঈশৈ হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসি নিংথৌ গম্ভিরগী মতমদগী হৌরকখিবনি। খুবাক ঈশৈ অসি ঐখোয়না কাং হায়রগসু খঙনরিবা রথযত্রা কুম্মৈগী মতমদা পাঙথোকপনি। মরুওইনা ঈশৈ মখল তাল, ঈশৈ অমসুং চোলোমনা লৈতেংদুনা শেম্বা আর্ট ফোর্ম অমনি।

সঙ্গিট নাতক একাদমিনা মণিপুরগী আর্ট ফোর্ম তৌরিবা লূপ ১৫০ দা গ্রান্ট ওইনা লুপা লিশিং ৪০ দগী ৫০ ফাওবগী শেনফম পীরি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনসু লুপা লিশিং ৫০ দগী ৬০ ফাওবা পীদুনা মণিপুরগী কলচর অসি য়োকখৎনবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলি। মসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্লিবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইষ্টর্ন আর্টিষ্ট এসোসিএসন, বামোন কম্পু মখা লৈকায়গী প্রসিদেন্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, জে এন এম দি এগী রিটয়র্দ গুরু টি ঐচ ইবোহল অমসুং ষ্টেফেন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল পুখ্রম্বম ইনাওবীসু মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী লোয়শিল্লকপদা এসোসিএসনগী আর্টিষ্টশিংনা নুপা খুবাক ঈশৈ উৎখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।